# খা মণিপুর কোলেজগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস): খা মণিপুর কোলেজ, ককচিং লিংখৎখিবগী চহী ৫৬শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম কোলেজ অসিগী ইন্টর্নেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেলনা শীন্দুনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং ৱাইরি পঞ্জাও পল্লুমদা লৈবা কোলেজ অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. ৱাই রাজু, কম্মর্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট (ঐচ ও দি); এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. এন সুভাসচন্দ্র, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী হান্নগী ঐচ ও দি; এসোসিয়েট প্রোফেসর এস ইঙোবা ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি অমদি এসোসিয়েট প্রোফেসর এন চাওবা কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দিনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কোলেজ অসি লিখৎনবা হোৎনবীরমখিবা অমদি কোলেজ অসিগী ওজা ওইবীদুনা কোলেজ অসিবু ঙসি ওইরক্লিবা থাক অসি ফাওবা পুখৎনবা হোৎনবীরকখিবা, লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায়খুম্নবা উৎপা অমদি হৌজক হিংলিবা কোলেজ অসিবু হৌদোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবশিংগী মফমদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায়খুম্নবসু উৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱাঙাংলোয়শিংনা ফোঙদোক্লখিবদা কোলেজ অসিমকসু ককচিংগী ইপা-ইপুশিংনা মণিপুরগী খা মায়কৈ ওইরিবা লৌ উবনা শিনফম ওইজবা মীয়াম্না মতম অদুদা হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিং অসি অৱাংবা থাক্কী মহে-মশিন হৈহন্দবা য়াদে হায়দুনা য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা চাউরবা লম কন্দুনা, অঙম-অঙম্বা পুথোক্লদুনা কোলেজ অসি লিংখৎখিবনি। তুংগী অশানবা মীৎয়েংদা কোলেজ অসি লিংখৎপীরমদুনা ঙসিদি মশক নাইবা মীওই কয়া অমা পুথোকখ্রে। কোলেজ অসি হেন্না মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা মহৈরোয় কয়া অমা পুথোক্লবা হোৎনখিসি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

# মহৈ তম্ফমশঙদা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেনখায় তানবীগনু হায়না মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস): তুংগী য়ুন্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্ফমশঙদা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেনখায় তানবীগনু হায়না মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী টিচিং ষ্টাফ অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংনা স্কুল অসিগী কেম্পসতা ঙসি ৱাকৎ মীফম চৎখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ষ্টাফ অমনা ফোঙদোরকখিবদা, স্কুল অসিদা লোনা থিংখ্রবা লূপ খরনা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা মওংদা শেনখায় লাকপদগী ওজা ওইরিবশিংনা অঙাংশিংদা মহৈ-মশিন তাকপী তম্বীবদা পূক্লিং চঙনা তাকপী তম্বীবগী থবক তৌবা ঙমদ্রে। স্কুলগী ওইনা ষ্টাফশিংগী মীটিং তৌনবা কৌরকপদা ষ্টাফ পুম্নমক পাখৎনরে। মহৈ তম্ফমশঙদা অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবীগনু। ষ্টাফশিং অসিসু ইমুং অমমম পুনরিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা স্কুল অসিগী ষ্টাফশিংবু নুংশিবীদুনা দিমান্দ তৌবীরক্তনবা আপীল তৌখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী ষ্টাফ অমনা হায়, হন্দক গভর্ণমেন্টনা সম্মর ভেকেসনগী মতমদা ওজাশিংদা ষ্টার এদ্যুকেসনগী ট্রেনিং তৌরকপদা মরুওইবা মীৎয়েং অসি গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী অঙাংশিংদা থমদুনা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং অমদি মহৈরোয় ফগৎনবা হোৎনবগী মরক অসিদা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা মওংদা মশক খঙদবশিংনা শেলগী দিমান্দ তৌরকপা অসি ঐখোয় পুম্নমক্তা য়াম্না নুংঙাইজদবা অমা ফাওই। ঐখোয়না থৱায় ৱাবা অমদি নুংঙাইতবা মওং মতৌ অসি মহৈরোয়শিংগী মমাঙদসু উৎনিংদে। অঙাংশিংবু তাকপী তম্বীগদ্রা অমদি শেনখায় লাকপগী স্কুল অসিগী ওজাশিংদা কোক শাহল্লিবা অসিবু ফনবা হোৎনগদ্রা ষ্টাফ ওইরিবা পুম্নমক তৌফম চাফম খঙদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ভি পি আর পি এচিভমেন্ট মেলা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস): হরাওরৌ তাংখম জি পি, ভি এল এফ অমদি পি আর আই য়ুথ ক্লব, শম্ব্রৈনা লাইন দিপার্টমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা ঙসি শম্ব্রৈ কম্ম্যুনিটি হোলদা ভি পি আর পি এচিভমেন্ট মেলা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল ইষ্ট, সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট, হেল্থ দিপার্টমেন্ট, ইলেক্সন রেজিষ্ট্রেসন ওফিস, রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ, সব-দেপ্যুটি কলেক্টরনচিংবদা লৈরিবা কান্নবশিং ওফিসলশিং অদুনা মেলা অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা মীওইশিংদা পীখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না হরাওরৌ তাংখম জি পিগী প্রধান লৈশাংথেম কুল্লচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না মীয়ামগী থবক তৌদুনসু পুম্নমক নীংবা থুংহনবদি ঙম্লোই। মরম অদুনা ঙসিগী ভি পি আর পি এচিভমেন্ট মেলা অসিদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসননচিংবা মরুওইবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিং লাক্তুনা তাকপী তম্বীরল্লিবা কয়া অসি খঙমিন্নহৌবা তঙাইফদে। কনাগুম্বনা মেলা অসিদা লাকপা ঙমদ্রবসু মেলা অসিদা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংগী তৌহৌরিবা রেকোর্দিং অসি অমুক হন্না য়েংদুনা কান্নবা লৌমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট আই সী দি ব্লোক্কী বি দি ও, আই জাদুমনি; এম এস আর এল এম লোইতোংবম বিনোতা; দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর এন প্রবিনা; খুন্দ্রাকপম ক্লষ্টরগী সী সী ইন-চার্জ অবিট হুসেন; এন আর ও কুন্দম্বাশ্রি অমদি ৱার্দ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ভি পি আর পি এচিভমেন্ট মেলা অদুদা ভি এল এফ মেম্বরশিংনা মখোয়না শাজবা ইয়োংগী ফিরোল অমদি মনা-মশিং, হৈ-রানা শেম্বা মখল মখা কয়াগী পোথোকশিং উৎখিবদা নত্তনা য়োন্নখি। ভি পি আর পি এচিভমেন্ট মেলা অদু অচৌবা মেলা অমা ওইখিদ্রবসু দিপার্টমেন্টশিংদগী কান্নবা কয়া ফংনখিবগা লোয়ননা মেলা অদুদা পুথোক্লখিবা পোৎলমশিং লৈবা ফংনহৌখিদবা মরম্না মখা তানা পাঙথোক্কদবা মেলাশিংদা ষ্টোল মরাং কায়না ফম্বা য়াহনবীয়ু হায়নসু ভি এল এফকী মেম্বরশিংনা আপীল তৌখি।

# য়ুরিয়া য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া কিষান সজ্ঘ মণিপুর প্রান্ট অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফার্মর ২০০ রোমদা য়ুরিয়া হার বেগ ৩০০ রোম য়েন্থোকখ্রে। মায়কৈ অসোমগী লৌমীশিংদা য়ুরিয়া হার ফংহনবগীদমক এগ্রিকলচর মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মখা তারকপদসু লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং পায়খৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ভারতিয়া কিষান সজ্ঘ মণিপুর প্রান্টকী প্রসিদেন্ট এন ইন্দুভুষনগী চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

# ককচিং বজার অমদি খুল্লক্তগী অমোৎ-অকায় মরী লৈনবশিংনা লৌথোকপীয়ু : কে বি বি দব্লিয়ু এ



ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস): ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মখাদা নোংমগী খুৎশুমল ফংদুনা ককচিং টাউনবু তরু-তনান্না থম্নবা, নোংমগী খুৎশুমল ফংদুনা মথৌ তৌরিবা শিন্মীশিংগী জুন থাগী খুৎশুমল কাউন্সীলনা পীথোকপীদ্রে হায়না শিন্মীশিংনা থা অসিগী ২১দগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখিবনা ককচিং কৈথেল য়াওনা ককচিংগী লৈরক খুল্লকশিংদা অমোৎ-অকায়, ফত্ত-হাওদি কয়া পৈদুনা লৈরে। অমোৎ-অকায়, ফত্ত-হাওদিশিং অসি পুমথরক্তুনা মনম নমথিবা হৌরক্লে। মসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা লায়না-লাইচৎ কয়া শন্দোরক্কদ্রা মীপায়নরে হায়না ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফেয়র এসোসিএসন (কে বি বি দব্লিয়ু এ)গী সেক্রেটরি কে এস ঐচ বিরলানা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারিবদি লূবা নানবা চাংদম্নবা (স্বাছ সুর্ভেক্সন) গী ওইনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলনা নোর্থ ইষ্ট জোনগী মীকোক লিশিং ২৫দগী লিশিং ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবগী কাঙলুপতা খ্বাইদগী লূবা নানবা সিটি ওইবগী মনা কয়ারক ফংখ্রবনি। অদুম ওইনমক লূ-হেনবগী থৌদাং লৌরিবা শিন্মীশিংদা মখোয়গী খুৎশুমল মতম চানা পীবীদবনা শিন্মীশিংনা থবক লেপখিবদগী নুমীৎ খরনি অসিদা ককচিং কৈথেল অমোৎ-অকায়, অপুম-অশাগী মনমনা পোৎফম ফম্বীশিং পোৎ য়োনবা ঙম্নদ্রে। পোৎ লৈবা লাকপা মীওইশিংসু কৈথেল মনুংদা চঙবা ঙম্নদ্রে।

হীরম অসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা নোংমগী খুৎশুমল ফংদুনা মথৌ তৌরিবা শিন্মীশিংগা অথুবা মতমদা য়াশিন্নবা পুবীরক্তুনা অমোৎ-অকায়শিং অদু লৌথোকপীদুনা হান্নগুম্না তরু-তনানবা ককচিং অমা ওইহনবীয়ু হায়না ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী চেরোল অদুনা মরী লৈনবশিংদা পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

# শংৱর্ধিনি ন্যাস মণিপুর প্রান্দকী গ্রান্ট ওপনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস): পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা শংৱর্ধিনি ন্যাস মণিপর প্রান্টকী গ্রান্দ ওপনিং থৌরম লোইশিনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা থোইদোক হেন্দোক্না মীথোই মীহেল্লবী নুপীশিংদা খুদোল পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবী সঞ্চালিকা রাষ্ট্র সেবিকা সমিটিগী প্রসিদেন্ট শান্তকুমারীনা ফোঙদোকখিবদা, মরৈবাক মজাতি কনবদগী হৌরগা লমদম অসিগী শেংমীৎলোন চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং ফিদম্নিংঙাইনি। মসিদসু নত্তনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মণিপুরগী নুপীশিংনা লৈবাক অসিবু মালেমগী থাক্তা হেন্না শক তাকপা ঙম্লি। মণিপুরগী নুপীশিংদা তোপ-তোপ্পা মগুন অমা লৈ হায়বসি ককপা য়াররোইদবা ৱাফমনি। মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিঙৈ মতমদা লমদম অসিগী নীং-খা তম্বা ঙাক্লবগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌখিবী রানি গাইদিনলিয়ুগী থৌনা ঐখোয় পুম্নমক্না তমজনিংঙাইনি। লোয়ননা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা থৌনা ফনা ইন্দিয়ন নেসনল আর্মিবু পাঙ্গল থৌনা হাপ্পীখিবা লমদম অসিগী নুপীশিং মালেমগী নুপীলক্তগী অথোইবী ঙাক্তনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

HL-B/7755/22,25,28



# ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌনবা

## হীদাক চাবনা পূক্লিং ৱাখলগী অনাবা ওইহল্লকপা

ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীওইশিংনা বি পি কন্ট্রোল তৌনবগীদমক চারিবা হীদাকশিংনা বাইপোলর দিসওর্দর নৎত্রগা দিপ্রেসনগুম্বা মুদ দিসওর্দরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

বৃটেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্লাসগোগী প্রোফেসার সন্দোশ পদ্মনাভননা হায়খি, হাইপরটেন্সন (বি পি ৱাংবা) গী লায়েংদা চৎথবদা মেন্টেল হেল্থকী ৱাফম থোইদোক্না থৌশানদে। বি পি হন্থহন্নবগী মতাংদা থারিবা এন্টিহাইপরটেন্সিব দ্রগশিংনা মীওইবগী পূক্লিং-ৱাখলদা অহোংবা থোকহল্লকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা ডোক্তরশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে।

রিছার্চরশিংনা এন্টিহাইপরটেন্সিব দ্রগ মখল মরি অমসুং দ্রগশিং অদুনা পূক্লিং-ৱাখলদা পীরকপা অহোংবশিংগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনখি। স্কোটলেন্দগী অচৌবা হোস্পিটাল অনীদা লায়েংলিবা মশাগী চহী ৪০ দগীনা ৮০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৫২৫,০৪৬ কী দেটা খোমজিল্লগা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনখি।

নুমীৎ ৯০ চুপ্না অনাবশিংগী মওং-মতৌ কুপ্না য়েংশিনবদা বি পি ৱাংবগী হীদাক চাবা মীওইশিং দিপ্রেসন নৎত্রগা বাইপোলর দিসওর্দরগুম্বা পূক্লিং ৱাখলগী লায়না মায়োক্নরকপা থেংনখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী জর্নেল 'হাইপরটেন্সন'না হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা, দিপ্রেসনগী লাইওংশিংনা লংস কেন্সর নারবা মীওইশিংগী পুন্সি তেনশিলহল্লি হায়বা অতোপ্পা ষ্টদি অমদগী খঙলে। য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া লোস এঞ্জেলিস (য়ু সী এল এ) গী দোনাল্ড আর সুলিভাননা লুচিংদুনা চৎখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, লংস কেন্সর পেসেন্টশিং পূক্লিং ৱাখলগী লায়না নারবদি কুইনা পুন্সিদে। অদুবু পান্থৈ অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইহনবা তারবদি মতম শাংনা হিংবা ঙম্মী।

রিছার্চরশিংনা কুমজা ২০০৩ দগী কুমজা ২০০৫ ফাওবা লংস কেন্সরনা নারবা মীওই ১,৭০০ লোমগী মওং-মতৌ কুপ্না য়েংশিনবদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি। 'জর্নেল ওফ ক্লিনিকেল ওনকোলোজি'দা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অসিগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংঙাইবা ৱাখল খনবগা লোয়ননা থোকঅবা অমা লাকচরগনি হায়না খন্দোকপা ঙম্বা মীওই খুদিংমক অরুবা লায়নানা নারবসু পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী। মরম অদুনা নাইতোম লৈবা মীওইশিংদগীদি ময়ুম-মকৈ পাল্লবা মীওই অমসুং মীরক তিনবা মীওইশিংনা নারক্লগসু লায়েংদুনা ফহনবদা লায়না থোকই। অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর অমদি ক্লিনিসিয়নশিংনা অনাবা মীওই লায়েংবা মতমদা নারিবা লায়না অদুখক লায়েংবগী মহুত্তা অনাবা মীওই অদুগী পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা, নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেন্টেল হেল্থ এন্দ ন্যুরো সাইন্সেস (নিমহান্স) সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ১৫ রোম পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা লায়না মায়োক্লবা মরম্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মতেং পাংবীবা মথৌ তাই। লৈবাক অসিদা মেন্টেল হেল্থ পেসেন্টগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লবসু সাইকিয়াট্রিষ্ট, সাইকোলোজিষ্ট অমদি সাইকিয়াট্রিক নর্সকী মশীং ৱাৎপা মরম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১২ দা লৈবা মীওই ৩৪,৮০২ দা চৎখিবা ষ্টদি অমদা মীওই মিলিয়ন ১৫০ রোম খুদক্কী ওইনা মতেং পাংবীবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বা খঙলকখি। বেঙ্গলোরদা লৈবা নিমহান্সনা কেরলা, টামিল নাদু, গুজরাত, রাজস্থান, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ঝরখন্দ, ছটিসঘর, মধ্যা প্রদেশ, আসাম অমদি মণিপুরগী মপুং-মরৈ ফারবা মীওই ৩৪,৮০২ অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহা ১,১৯১ দা সর্ভে অমা পাঙথোকখিবনি।

ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মীওই চাদা ০.৬৪ স্কিজোফ্রেনিয়া, মীওই চাদা ৫.৬ মুদ দিসওর্দর অমসুং মীওই চাদা ৬.৯৩ ন্যুরোটিক দিসওর্দর মায়োক্লবা থেংনরে। পূক্লিং ৱাখলগী লায়নানা ইমুং-মনুং অমদি খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি।

ৱাখল লায়না লৈবা মীওইশিংগী মনুংদা নুপাদগী নুপীদনা চাং ৱাংবগা লোয়ননা কেরলা, আসাম অমদি মণিপুরদা চাং ৱাংবা থেংনখি। দিপ্রেসন, বাইপোলর, এফেক্টিভ দিসওর্দর, স্কিজোফ্রেনিয়া অমসুং সাইকোসিসনচিংবা পুম্নমক পূক্লিং ৱাখলগী অনাবা ঙাক্তনি।

মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা মতম চানা লায়েংলবদি মেন্টেল দিসওর্দরগী খুদোংচাদবশিং কোকহনবা ঙম্মী। বৃটেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্লাসগোগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, ব্লদ প্রেসর হন্থহন্নবা হীদাক মতম শাংনা শীজিন্নরবদি পূক্লিং ৱাখলগী লায়না ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না মীপুম খুদিংমক মাঙজৌননা বি পি ৱাংহন্দনবা হোৎনগদবনি। কা-হেন্না বি পি ৱাংলবদি তঙাইফদনা এন্টি-হাইপরটেন্সিভ দ্রগ চাবগী মথৌ তারকই। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক মাঙজৌননা পুন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা চাকচা-য়ুথক শেমদোক্তুনা বি পি ৱাংহন্দনবা হোৎনগদবনি। য়ামদ্রবদা নুমীৎ ৯০ দগী হেন্না বি পি ৱাংবগী হীদাক চাবা মতমদা হকচাংগী কয়াৎশিং, মরুওইনা ব্রেনদা অহোংবা থোরকপদগী মেন্টেল দিসওর্দর ওইহল্লকপনি।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, বি পি ৱাংলবদি তঙাইফদনা এন্টি-হাইপরটেন্সিভ দ্রগ চাবগী তঙাইফদবা মরম্না মেন্টেল দিসওর্দরগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মতম চানা পুন্সি মহিং অমসুং চাকচা-য়ুথক শেমদোক্লগা বি পি ৱাংহন্দনবা হোৎনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পান্থৈনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস): ইমোইনু কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী ৪৪রকশুবা ফাউন্দেসন দেগা লোয়ননা জেনরেল বোদিগী মীফম অমসু শীংজমৈ চীংঙামখাদা লৈবা লৈমরোল আর্ট সেন্টরগী হোলদা ইমা শ্যামানা থৌরম মপু ওইদুনা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না ইমোইনু কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীফম অদুদা আর্টকী লমদা থৱায় হকচাং য়াওনা চেন-চোংলম্বা লৈখিদ্রবা ওজা কিরনবু ঈকায়খুম্নবা উৎতুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিস চীংঙামখা লিৱা লন্বীদা হোংলে হায়রি।

COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

## ADMISSION OPEN

For

## MEDICAL REGULAR COURSE 2022-23

- Date of Form issue : 20th July, 2022
- Last date of form submission : 5th August, 2022
- Class commencement from : 17th August, 2022

**Special Features**

- Regular Offline Classes & Assessment test.
- Post test Questions & Answer Discussion/Analysis on the following day of test.
- Study Materials along with NCERT based Chapter Wise MCQs will be provided.
- Recorded videos will be provided for all subjects to support offline Classes.

**Free Studentship available**

**(Limited seats based on first come first serve basis)**

- 80% & above in P.C.B. of Class-XII 2019, 2020 & 2022 (For COMET School students).
- Position holders in Class-X (Manipur Board).
- Position holders in Class-XII 2019, 2020 & 2022 (COHSEM).
- 95% in Class-X CBSE & above & other boards subject to separate screening test.
- 90% in P.C.B. in Class-XII CBSE & other boards subject to separate screening test.
- 85% & above in P.C.B. of Class-XII CBSE & other boards subject to separate screening test for S.T. & S.C.
- Higher mark scorer for fresher in NEET-UG 2022.

**(Fee will be refunded after NEET 2022 results if admitted)**

- NEET 2022 overall state rank within 230 (Gen & OBC).
- NEET 2022 overall state rank within 90 (ST).
- SC NEET 2022 overall state rank within 10.

**50% CONCESSION**

**(Limited Seats based on first come first serve basis):**

- 85% & above in P.C.B. of Class-XII (2021) For COMET School students (No exam due to Covid).
- 85% & above in P.C.B in Class-XII for S.T. & S.C. in Council.
- 90% & above in P.C.B in Class-XII in Council.

N.B : Classes will be Online if Covid restrictions are imposed by Government.

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮।০৭।২০২২ ইং, শগোলশেল;
ইঙেলগী থাশু।

মেষ: খোয়রাংবনা অমদি লল্লোন ইতিক্তা মাঙজবা য়াই-তপথৌ। ঙাং-শকপা অমদি থৌরম য়াৎপসু হৈগনি, শেল ফংগনি, অফবা মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: লাইবক ফগনি, অনৌবা আশা লাক্কনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি, লৌশিং তানশিনবা মতাং চাগনি। অঙম্বনা য়েংশিনবা, হুরানবনা মাঙহনবা পাম্বদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: ঙসিসু মীয়াম্না থোইনা লুনা চান্না তৌবিগনি, ৱাখল নুংঙাই অমদি অরাপ্পা মীগী মতেং লৌবা য়াগনি। অনম তাল্লদি খৎননি অমদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: অফ-ফত্তা য়ান্নগনি। শেন্দোং তানবৈ থবক্তদি চাওনা কান্নগনি অদুগা মুক্লবগী লমদদি মায়থিগনি-নোল্লুক্না চৎলু। নচা-ননাইগী মতেংদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

সিংহ: অচৌবা লন ফংবগুম নুংঙাইজগনি, ফংবসু য়াই, অয়েৎপা লৈরল্লসু কোক্লনি, ঙাং-শকপা হৈগনি। ঐ মঙাইরে খন্নদি চৎকনু মাঙজবনা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী খরদি ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: নীংবা শোয়দনা থুংগনি। অচুম্বনা মাঙওইনরবা অমদি অখঙ-অহৈ নৎত্রগা অফবা মরুপকী ৱা তারবা চাওনা মায় পাকচগনি। হুরানবদৈদি চেকশিনখো।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: লম খুদিংমক্তা মায় পাক্কনি-থোইনা চিংনবা তৌগনু। মীনা লাকচবা ঙম্লোই, মীয়ামগা মরী ফগনি, হকচাং নুংঙাইগনি অমদি অফবা খোঙশাল লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃশ্চিক: পাঙ্গল ফুদোকপা য়াবা অমদি য়েক্লবা মাঙখিগদবা নুমিৎনি-চিংনবা অমদি অকিবা থাদোকউ। নথক থোংবগা লোয়নবদা ৱা ঙাঙবদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

ধনু: অরোন অথুপ ঙাওথোকপা লুগনি-থাজদনা নক্লবনা শেন্নদুনা লৈবা নুমিৎনি। লৈজবা লৌশিংনা মতিক চারোই-অখঙ অহৈগী ৱা লৌরদি কান্নজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

মকর: মীচঙ খোম্বা অমদি শেন্দোং তানবগী লমদদি নীংবা থুংগনি। পাংঙমদবা থবকসু পাঙগনি। অদুবু হন্থবা লোয়নরবা/নাপল তৌরবা কান্নররোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: নীংবদুমক পাঙবা ঙমগনি, কিদবনা অফবা মফম কনবা ঙমগনি অমদি অনীংবা থবক পাঙগনি। ইমুং-মনুংগী ৱাদি য়াম্না কান্নগনি। পাইরক্কী লৌশিং চাওই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: য়েৎনবা মরমদদি ঙম্বীনবা লৈরোই, চাদিংসু হন্থহনবা ঙমগনি অমদি মীঙোন্দা লৈখিবা শেল-থুমসু থৌজিনবা য়াগনি। মরুপ খনবা হৈত্রদি ঈকায়বা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাঙদবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।